
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



Vol. 48, Issue No. 255 | য়ুমশকৈশা, পোইনুগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, December 18, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### নরেন্দ্র মোদিনা থৱায় য়াওজবা 'ৱান নেশন ৱান ইলেক্সন' গী বিল করম থোক্লগবা

# লোক সভাদা বিল পুথোরক্তুনা ভোট লৌনবদা বি জে পিগী এম পি ২০ হেন্না লাকখিদ্রে

### এম পি ২৬৯না বিল অসিবু শৌগৎখি অদুগা ওপোজিশনগী এম পি ১৯৮না বিল অসিগী মায়োক্তা লেপখি, বিল অসি মমুৎ তানা খন্ননবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা থাদখ্রে




**ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা অহুল্লকশুবা এন দি এগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লৈবাক অসিদা এসেমব্লি অমদি পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনশিং অমুক্তদা পুল্লপ পাঙথোকহন্নবগী পান্দমদা লাইনীং ওইদুনা শেম শারকখিবা 'ৱান নেশন, ৱান ইলেক্সন' গী বিল ঙসি লোক সভাদা লো মিনিষ্টর অর্জুন রাম মেঘৱালনা পুথোরকখ্রবসু বিল অসি সভানা পাস তৌননবা মসিবু য়ানীংবা অমসুং য়ানীংদবা মেম্বরশিংগী মরক্তগী ভোট লৌনবদা বি জে পিগী এম পি ২০গী মথক্তা লাক্তবদগী শরুক য়াখিদবনা বিল অসিগী মরাইবক তম্না ঙমদ্রি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না হান্নদগী শেম শাদুনা থৌরাং তৌরকখিবগী মতুংইন্না ঙসি সভাদা ওপোজিশন অমসুং রুল্লিংগী মায়কৈদা অকনবা দিবেট চথনরক্লিঙৈগী চৈরক্তা লো মিনিষ্টরনা দি কন্সটিট্যুশন (ৱান হন্দ্রেদ এন্দ ত্বেন্টিনাইন্থ এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২৪ অমসুং দি য়ুনিয়ন টেরিটরিজ লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২৪ পুথোরকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# অদানি স্কাম ১সুং মণিপুরগী ৱাথোক্কী মায়োক্তা ঙসি কোংগ্রেসনা লৈবাক শিনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী) না লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না হয়েং লৈবাক শিনবা থুংনা অদানি স্কাম অমসুং মণিপুরগী ৱাথোক্কী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা রাজ ভবনশিংদা পাক্তক্না খোঙচৎকী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা খোঙজং অসি চঙশিনবগী মনুং চন্না মণিপুরদসু ইম্ফালগী রাজ ভবনদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা খোঙচৎ খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

'রাজ ভবন মার্চ' হায়না মিংথোনবা খোঙজং অসি হয়েং অয়ুক পুং ১১.৩০ তারকপদগী বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদগী হৌরক্লগা রাজ ভবন তম্না চৎকনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা পার্টি অসিগী এম পি সী সীগী ওফিস বিয়ররশিংনা দি সী সী, বি সী সীগী প্রসিদেন্টশিং, ফ্রন্টেল সেল, দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিস বিয়ররশিং অমসুং পি সী সীগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী এম এল এগী কেন্দিদেট ওইখিবশিংগা পূন্না পাঙথোকখিবা মীফম অমনা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

হয়েংগী খোঙচৎ খোঙজং অসিদা পার্টিগী এম এল এশিং, সী দব্লিয়ু সী/পি সী সী/বি সী সীগী মেম্বরশিং, এম পি/এম এল এশিং, হান্নগী প্রসিদেন্টশিং, এক্স এম পি/এম এল এশিং অমসুং ওফিস বিয়রর, ৱাঙাঙলোইশিং য়াওনা পুম্নমক্না শরুক য়াবীনবা পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেশন) গী মায়কৈদগী অইবা চেরোল অমা থোকখ্রে হায়রি।

### লোক সভা

# মণিপুরদা কন্সটিট্যুশননা পীবা হকশিং ফংহন্দ্রে : টি এম সী, সী পি আই-এম


সুসমিতা দেব, টি এম সী


জোন বৃট্টাস, সী পি আই-এম

**ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী) :** মমাঙ থাগী ২৫দগী হৌরদুনা রাজ্য সভাগা পূন্না মীফম চথরক্লিবা লোক সভাগী নীংথম মীফমদা খন্নরক্লিবা 'গ্লোরিয়স জর্নি ওফ ৭৫ য়র্স ওফ দি কন্সটিট্যুশন ওফ ইন্দিয়া' গী দিস্কশনদা শরুক য়াখিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি সুসমিতা দেব অমসুং সী পি আই-এমগী জোন বৃট্টাশনা মণিপুরদা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশননা পীবা হকশিং ফংহন্দ্রে হায়বগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা সুসমিতা দেবনা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশননা পীরিবা হকশিং ফংহন্দ্রবা ফাওবদা বি জে পিগী এম পিশিংনা চথরক্লিবা কন্সটিট্যুশনগী দিবেট অসিদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রিবা করিগীনো হায়নসু অকনবা ৱাফম থমখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# অমিট শাহনা মণিপুরগী ঈরাংগী মতাংদা থোকউ-থোকউবা ঙাঙলক্লিবসি মীয়াম্বু ইকায়বা পীবনি : কে মেঘচন্দ্র

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** চীফ মিনিষ্টরগী মমিং পল্লদুনা মহাক মশানা মশাবু কনানো, করি ওইরি অমসুং হোমগী পোর্টফোলিও অসিনা কনানা পায়রি হায়বনচিংবগী মতাংদা চমন্নরবা মাল্লে হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা অৱা-অনা, মীশি-মীনা অমদি তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিগী মতাংদা মমাঙ চহীগী মেদগী পীরকপা ষ্টেটমেন্টশিং অদুমক হোংল-হোংলগা পীরকপসি অকনবা মওংদা য়ানীংদে। চীফ মিনিষ্টরনসু ঈরাংসিগী মতাংদা ঙাইহাক লৈরগা অমা হায়বা, ঙাইহাক লৈরগা অমা অমুক হায়বা অসি লাইবক থীবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# খুল ঙাকপা হাৎপা অমসুং ফাবা য়ারোই হায়দুনা শুনুসিফাইদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৮ তারকপদগী হৌরদুনা মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা শুনুসিফাইগী মৈরা পায়বীশিংনা মফম অসিগী অকোয়বদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎতুনা খুল ঙাকপা ফাবা য়ানীংদে অমসুং খুল ঙাকপা হাৎপা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিং লাউখ্রে।




খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবীশিংনা থৌবালগী এস পিবু চূড়াচান্দপুর নৎত্রগা কাংপোকপীদা খুদক্তা ট্রান্সফর তৌগদবনি, খুল ঙাকপা হাৎপদা চেন্নবা মথৌনা ফবা কম্মান্দোশিং থবক্তগী লৌথোক্কদবনি, কংলৈপাক পুম্বদগী অফস্পা লৌথোকউ, মতিক চাদবা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকউ অমদি মতিক চাদবা লুচিংবশিং লৌথোক্কদবনি হায়বা খোল্লাওশিংসু লাউখি।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবী নোংমাইথেম সঙ্গিতানা ফোঙদোরকপদা লৈরিবা ফীভম অসিদা কয়াম কুইনা মীয়াম্বু ৱাহনখিগদৌরিবনো হংলদুনা মতিক চাদবা লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিং অথুবা মতমদা মখোয়বু মফমদগী লৌথোকপা নত্তনা হৌজিক ঐখোয় অতোপ্পা পান্থে করিনো হংখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# মীওই ২ মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্লল্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১০ রোম তারকপদা হৈঙাং পি এসকী মনুং চনবা খুন্দ্রাকপম মখা লৈকায়গী মফম অমদা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুরকপা মীওই অনী মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্লল্লে হায়রি। নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোক্লবশিংনা শগোলবন্দগী তখেলময়ুম হেমন্ত (৫৫), অপোকপা নোদিয়া অমদি সেক্তা অৱাং লৈকায়দগী য়েংখোম কেসো (৫৫) অপোকপা ইবোহলনি হায়রি। মখোয় অনীমক্কী ওই থংবা খুবোমদা নোংমৈ মরূ ১/১ কাপশিল্লম্বনি হায়রি।

# য়েরূম পুরকপা ত্রক মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** দিমাপুর রোমদগী এন ঐচ-২ পরিংদা ইম্ফাল তম্না য়েরূম পিক থন্না হাপ্পুনা পুরকখিবা ত্রক অমা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা সেনাপতি পি এসতগী অৱাং লোমদা কিলোমিটর ৮ লোম



লাপ্পরিবা কারোং অমদি খোঙনেম্বী খুল অনীগী মরক্তা লৈবা কাটিখোগী দম্পিং এরিয়া অমগী মনাক্তা শকখঙদবশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

### শলুংফমদা লৈখিদ্রবা প্রেমগী মতাংদা পুলিসকী ৱাফম

# মহাক্না তোংবা কারগী মতুংদা লাকপা গাড়ীদা তোংবা অন্দরগ্রাউন্দশিংগী মরক্তগী কাপ্লকপা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদবনি: পুলিস



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৪গী অয়ূক্তা হৈরোক পি এসকী মনুং চনবা শলুংফমদা থোকখিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম প্রেম (১৮) মীশিগী মতাংদা হৌজিক পুলিসনা চথরক্লিবা ইনভেষ্টিগেশনগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# সী বি আইনা লৌখৎপা কেসতগী খুল ঙাকপা ৩ প্রি-এরেষ্ট বেল লৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর পুলিসনা খুল ঙাকপা মীওই খরা ফারবা মতুংদা মখোয়গী মথক্তা লৌখৎপা কেস অদু সী বি আই (কোলকটা) দা খূৎশিন্নখিবদগী এজেন্সী অসিনা লৌখৎপা কেস নম্বর-আর সী-০৬ (এস)/২০২৩গী মতুংইন্না ইনভেষ্টিগেশন চথরবা মতুংদা অসামগী কামরূপ মেত্রোগী সী জে এমদা চার্জশীট থাগৎলকপদগী কোর্ট অসিদা লাক্নবা সম্মন তৌরকখিবা খুল ঙাকপা ৩ গুৱাহাটিগী চানমারিদা লৈবা স্পেশল জজ (সী বি আই এন্দ এন আই এ) গী কোর্টতগী প্রি-এরেষ্ট বেল লৌখ্রে। ঙসি কোর্ট অসিনা প্রি এরেষ্ট বেল পীরকখ্রবশিংদি শীংজমৈ সোরোকখাইবম লৈকায়দগী কৈশাম জোন্সন (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ইবোমচা, শগোলবন্দ সয়াংদগী কোন্থৌজম রোমোজিৎ মৈতৈ (২৮) অপোকপা কে মেঘজিৎ অমসুং কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দগী অথোকপম কাজিৎ এলিয়জ কিশোরজিৎ (৩৯) অপোকপা এ ধনঞ্জয়নি। মখোয় ৩গী মায়কৈদা এদভোকেট জোনিনা লেপখি।

# হায়ৱেগী দ্রেন শেংদোক্তবনা থোংজু পার্ট টুগী এরিয়াদদি মীয়াম্না লম্বী চৎপা ঙম্নদ্রে

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):** নেশনল হায়ৱে ১০২ (ইম্ফাল-মোরে) লম্বী পরিংগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা থোংজু পার্ট টুগী এরিয়াদা হায়ৱে অসিগী দ্রেনশিং মতম শাংনা শেংদোরক্তবদগী ফুনগৎলক্তুনা দ্রেন অসিদা নমথীরবা ফক্ত-হৌদিশিং চেন্থরকপদগী মফম অসি ফাওদুনা চৎলিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।




মফম অসিদা ফম্বা দুকানশিংদা পোৎ চৈ লৈবা লাকপা ঙম্নদ্রে অদুগা মফম অসিবু ফাওদুনা চৎকদবা মীওইশিংনা মাস্ক উপ্পুনা চৎনরে। ফুনগৎলবা দ্রেনশিংদা তুংশিন্দুনা লৈরকপা ফক্ত-হৌদিশিংগী নমথীবা মনম কোক্লবা ফিনাইল অমদি ব্লিচিং পাওদরনচিংবা চাইথোক্লবসু মসিগী কান্নফম খঙদ্রে। মফম অসি অয়ূক অঙনবদা নুপী-অঙাং অমসুং মীওই কয়ানা খোঙনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# হেন্দ গ্রেনেদ থল্লম্লে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা উরিপোক খাইদেম লৈকায় লেন নম্বর ২দা লৈবা খোমদ্রাম প্রমোদ (৪৭) অপোকপা কে ঐচ নন্দকিশোরকী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা থল্লম্বা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লৈরল্লে হায়রি।

বোম অসি শুমাংদা খাম্বা কার অমগী মনাক্তা থল্লম্বনি। প্রমোদকী অপোকপা নন্দকিশোরনা ৱাকিং চৎপা থোরকপদা থেংনরকখিবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মায়োক্তা লৈকায়গী মীওইশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লদুনা য়ুম কূংনা তাবা মফমদা বোম থমজিন্দুনা মীয়ামদা অকি-অখং পীবা য়ানীংদে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা তৌবীগনু অমসুং বোম থল্লম্বশিংনা করি মরমগীনো হায়বদু মীয়ামদা শেংদোকপীরকউ হায়খি।

# লাইরিক তমদুনা মঙলান অমা মঙজরম্বদু তোকথোক্লগা অফং-অফংবা থবক শূদুনা ইচন্নুপী অমদি ইনাওনুপাগী মহৈ তম্বদা মতেং পাংদুনা লৈরি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
চূড়াচান্দপুরদগী খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা চথরকপদগী থা ২০ শুজিল্লক্লবা তমথীরবা লান অসিনা মরম ওইরদুনা চূড়াচান্দপুরগী জ ইওন ভেঙদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংলিবা 'রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশন' দা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মশাগী চহী ২২ রোম শুরবা লাইশ্রম সুরেস, অপোকপা এল সুধান অমদি অপোকপী লাইশ্রম ওংবী মেমচানা পাউচে অসিদা হায়, ইচন্নুপীনা হন্দক ক্লাস ত্বেলভ



এগজামিনেশন থাগদবনি। মহাক হান্নদগী প্রাইভেট স্কুলশিংদা তম্লকপনিনা লাঞ্জেন্নরক্লবসু মহাক্না তমজরকখিবা স্কুল অসিদা অদুমক ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেশন থাহন্নবা হোৎনরি। অদুগা ইনাওনুপানা নম্বোলগী বোর্দিং হায় স্কুলদা থমদুনা মহৈ তমহল্লি।

প্রাইভেট মহৈশেঙ ওইবনা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা শেল খরা তাজরবসু লোইনমক ফ্রী ওইহনবীরকপদি নত্তবনিনা ঐহাক্কী গ্রেজুএসন তমথগদবা অদু তোকথোক্লগা রিলিফ কেম্পতা লৈনা-লৈনা ময়াম্না কেন্দল, ধুপনচিংবা শাবদা য়াওশিন্দুনা শেল খজিক্তং ওইরবসু ফংনবা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা মীগী দুকানগী পোৎ চৈশিং হোনবা য়াওরি, দুকান ফম্বসু য়াওই অদুগা নোংমগী অফং-অফংবা হাজিরা শূবগী থবকশিংসু তৌদুনা লৈরি। পুম্নমক অসি ইচন্নুপীনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেশনদা শরুক য়াবা ঙম্নবনি অমসুং ইনাওনুপানা মখা তানা মহৈ-মশিং তমথবা ঙম্নবনি হায়রি।

লাইশ্রম সুরেসনা মখা তানা হায়, ঐবু পোকপা ইমা অমসুং পাবুংদি লান অসি হেক হৌরকপদগী দিপ্রেসনগী লায়না নাদুনা থবক অমত্তা শূবা ঙমদ্রে। মরম অসিনা ঐহাক্না ইচিল-ইনাওশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অহল ওইরুবনিনা ইচন অমদি ইনাওগীদমক খল্লগা ঐহাক লাইরিক তম্বা তোকথোক্তুনা অফং-অফংবা থবক শূরগা ইমুংগী মতেং পাংলকখিবনি। মহৈরোয় ওইরকখিবা ঐহাক্কীসু মঙলান অমা লৈজরকখি। অদুবু লাইবক থীবদগী লান অসিগী চৈথেং মায়োক্লরক্তুনা ঐহাক মখা তানা লাইরিক তমথবা ফংদ্রে। মরম অসিনা ঐহাক্না মঙজরম্বা মঙলান মঙলাক্লরগদ্রা হায়বগী অকিবা ফাওরে।

(-মথং-মথং)

### মৈ হুরাল্লম্বগী ৭ ফারে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** এম এস পি দি সী এলগী জি এম (কম্মর্সিএল) গী চেরোল অমদা মৈ হুরাল্লম্বগীদমক আই ঈ দি-৪ দিভিজন এরিয়াদগী মীওই ৭ ফাবগা লোয়ননা টেক্স থিদবগী কঞ্জুমর তরুক্কী মৈ দিসকনেক্ট তৌরে হায়রি।

### কর্ফিয়ু

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী মায়কৈদগী থোরকপা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা হয়েং অয়ুক পুং ৫দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা অদুগা বিষ্ণুপুরদনা অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং৪ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# ককৱা অসেম লৈকায়দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা খোল্লাওশিং লাউখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) :** ককৱা মৈরা পায়বী অমসুং শীংজমৈ ককৱা অসেম লৈকায় মৈরা পায়বীনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি ককৱা অসেম লৈকায়দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা মতিক চাদবা লৈঙাক লৌথোকউ, থৌবালগী এস পি থবক্তগী লৌথোকউ, খুল ঙাকপা হাৎপা য়ারোই অমসুং ফাবা য়ারোই হায়বা য়াওনা পুলিসনা ফাজিনখিবা খুল ঙাকপশিং কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়বা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১-৯৭৭৪৮০৩১৪৫